

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, JANUARY 29 , 2018 **PAGE 7**





*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ওক্সনদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমল ৱাংনা রাইজিং পুনে সুপর জাইন্টসনা লুপা ক্রোর ১১.৫ দা লৈখ্রবা জেদেব উনাদকট*

*য়ুএস দোলর মিলিয়ন ৩ গী শেলগী মনা লৈবা দুবাই দেজার্ট ক্লাসিক গোল্ফ টুর্নামেন্টতা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা চাইনাগী গোল্ফ শান্নরোই লি হাওটোন*

## স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখ্রে, কানাদাগী দাব্রোস্কি অমসুং ক্রোএসিয়াগী পেভিসনা মিক্স দবলসকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রে






*ওস্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ট্রোফি লৌবা*

*মেলবর্ন, জনুৱারী ২৮ঃ*

চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওস্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে। অমরোমদা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা কানাদাগী মাটে পেভিস অমসুং কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কিনা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস মায়থিবা পীদুনা ইভেন্ট অসিগী টাইটল ফংবা ঙমখ্রে।

ওস্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু সেট ৩–২দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল ফংবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট ফেদররনা সিলিক্কী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা সেট অদুদা সিলিক্কী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা সিলিক্না ৭–৫ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা সেট অদুদা স্বিজরলেন্দগী ফেদররনা ক্রোএসিয়াগী সিলিক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট ২–১ দা হেন্দুনা লৈখি। অদুবু মরিশুবা সেট অদুদা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্কী মায়কৈদগী ফজবা মশান্না খরা উৎপা ঙমখিবদগী স্বিজরলেন্দগী ফেদররগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট ২–২ দা মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উৎতুনা শান্নবা ঙমখিবদগী ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক্কী সার্ভিস গেম অনী ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা অরোইবা সেট অদু য়াম্না কোম্না থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

ওস্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিস অমসুং কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কিনা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসপু ক্রোএসিয়াগী পেভিস অমসুং কানাদাগী দাব্রোস্কিনা সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা ইন্দিয়া অমসুং হঙ্গেরিগী পেয়র অদুনা অনীশুবা সেট অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা শান্নরকপদগী ক্রোএসিয়া অমসুং কানাদাগী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা পেয়র অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা পেয়র অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকপদগী অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নদনা লৈখি। অদুবু অরোইবা সেট অদুগী লোইশিল্লকপদা ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিস অমসুং কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কিনা ফজবা হেনখিবদগী ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসপু ১১–৯ দা থোইদুনা মিক্স দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।



*মিক্স দবলসকী টাইটল লৌখ্রবা কানাদাগী দাব্রোস্কি অমসুং ক্রোএসিয়াগী পেভিস*

## ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল ইন্দোনিসিয়া মাষ্টর্সকী নুপীগী ফাইনেল মেটচতা চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িঙগী মখূত্তা মায়থিখ্রে




*জাকর্টা, জনুৱারী ২৮ঃ*

কুমজা ২০১৮গী অহানবা ইন্টর্নেসনেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা য়ু এস দোল্লর ৩৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনিসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন ওপন টুর্নামেন্টকী নুপীগী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল বার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িংগী মখুত্তা মায়থিখ্রে।

ঙসি ইন্দোনিসিয়াগী কোনুং জ াকর্টাদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱাল অমদি চাইনিজ টাইপৈগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী টাই জু য়িংগী লম্বা অদুদা টাইপৈগী শান্নরোই অদুনা ফাইনেল মেটচ অদুগী হৌবদগী হৌনা নেহৱালবু খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু টাই জু য়িংনা য়াম্না কোম্না ২১–৯দা সাইনা নেহৱালবু মায়থিবা পীখি। মখাতানা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা গেম অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোই নেহৱালনা য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা পোইন্ট ১৩ ফাওবা য়ৌবা ঙমখি। অদুবু মহাক্কী লম্বা ওইখিবী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোই টাই জু য়িংনা ফজবা হেনখিবদগী পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

চথরিবা ইন্দোনিসিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোই এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংনা জপানগী শান্নরোই কাজ ুমাসা সকাইবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংনা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা জ পানগী শান্নরোই কাজুমসা সকাইবু য়াম্না হেনবা মওংদা ২১–১৩দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা গেম অদুদসু ইন্দোনিসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংনা জপানগী শান্নরোই কাঙুমাসা সকাইবু হিরম খুদিংমক্তা হেঞ্জিল্লকপদগী পোইন্ট ২১–১২দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

নুপাগী ডবলসকী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই য়ুম্বু লৈবাক ইন্দোনিসিয়াগী মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিওন অমসুং কেবিন সঞ্জয়া সুকুমুলজোগী পেয়রনা চাইনাগী পেয়র লি জুনহুই অমসুং লিন য়ুচেনবু য়াম্না কোম্না ২১–১৪, ২১–১১দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী ডবলসকী ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ পেয়র ওইখিবী জপানগী মিসাকি মাটসুমোটো অমসুং অয়াকা টকাহাসিগী পেয়রনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইন্দোনিসিয়াগী পেয়র গ্রেসিয়া পোলি অমসুং অপ্রিয়ানি রহানজুবু য়াম্না কন্না লম্বা তৌনখ্রবা মেটচতা গেম ২–০দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা গেম অদু ইন্দোনিসিয়াগী পেয়র অদুনা পোইন্ট ২১–১৭দা মায়থিবা পীখি। অনীশুবা গেম অদুদা জপানগী পেয়র মাটসুমোটো অমসুং টকাহাসিনা কন্না হোৎনরক্তুনা শান্নরবসু উপায় লৈখিদবগী পোইন্ট ১২–২১দা মায়থিহৌদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু টকাহাসিনা লৌবা ঙমখি।

চথরিবা ইন্দোনিসিয়া মাষ্টর্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স ডবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান পেয়র য়ুম্বু লৈবাক অদুগী পেয়র টানটোৱি অহমদ অমসুং লিলিয়ামা নাটসিরবু ৬শুবা সিদেদ পেয়র ঝেং সিৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিওংনা য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৪, ২১–১১দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়া ওপন বোক্সিং ২০১৮দা লন্দন ওলিম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবী এম সি মেরি কোম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



*ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সর মেরি কোম*

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ২৮ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা স্পাইস জেট ইন্দিয়া ওপন ইন্টর্নেসনেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮দা লন্দন ওলিম্পিক গেমস ২০১২গী ব্রোঞ্জল মেডালিষ্ট অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী এমসি মেরি কোম ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৪৮গী বাউট অমদা এমসি মেরি কোমনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর ভর্সা চৌধুরিবু য়াম্না কোম্না পোইন্ট ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী এমসি মেরি কোমনা ইন্দিয়াদা ইন্টর্নেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অমা শিন্দুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নহা ওইরিবা বোক্সর কয়া মপান লৈবাক্কী বোক্সরশিংগা লম্না তৌবা ঙম্নগী খুদোংচাবা অমা পীবিবগীদমক বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা অজয় সিংহবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মেরি কোমনা কেজি ৪৮গী কেটগরিদা মহাক্কী লম্বা থিবা ৱাবনা মরম ওইরগা মশাগী মায়কৈগী পোঙবা ফাওবা অদু লৈখিদে হায়নসু ফোঙদোকখি। চেম্পিয়ন অসিনা মখাতানা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মহাক্কী বোক্সিং কেরিয়রদা মতম শাংনা ইন্দিয়াগী ওইনা ইন্টর্নেসনেল টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াদুনা লাক্লবা মতুং মশাগী চহী য়ামশিল্লকবসু মশাদা অশোক–অপন লৈতবা অমদি মশান্না অসিদা মহাক্কী মায়কৈদগী শান্ননিংবা ফাওরিবা মখৈ শরুক য়াদুনা লৈখিগনি হায়না মেরি কোমনা ফোঙদোকখি।

বোক্সিং মশান্না অসি হৌজিক ইন্দিয়াদা য়াম্না পাম্নবা মশান্না অমা ওইনা নহা কয়ানা শরুক শান্নবা হৌরক্লি। চথরিবা ইন্দিয়া ওপন ইন্টর্নেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিনা কমনৱেল্‌ঠ গেমসকী মাঙওইননা পাঙথোকপনা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংদা য়াম্না কান্নবা পীবা ঙমগদৌরি হায়না মেরি কোমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিত্তা নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী কেজি ৬৯গী কেটগোরিদা শরুক য়ারিবা বোক্সর মনোজ কুমারনা মহাক্কী লম্বা কেনিয়াগী বোক্সর কিমাথি জেকোবপু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০দা মায়থিবা পীদুনা মহাকসু টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী কেজি ৫১গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর অনী লম্বা তৌনবদা মিনা কুমারীনা সীবিন্দর কোরবু মায়থিবা পীদুনা কাংলুপ অসিদা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মিনা কুমারীনা সেমিফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সর জমুনা বোরোগা লম্বা তৌনদুনা ফাইনেল য়ৌনবা হোৎনগদৌরি। জমুনা বোরা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ অদুনা বাই ফংদুনা লাকখিবনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিসানা থাইলেন্দগী বোক্সর মসাই বুনিয়ানুটপু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা নেপালগী বোক্সর বিমলা শ্রেসথাগা লম্বা তৌনরগনি।

শ্রেসথানা টাজিকিস্টানগী বোক্সর ফরিদা সামিএভাগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না হেনখিবদগী রেফরিনা ফরিদাবু মখা তানা শোত্তুনবা বাউট অদু লোইশিনখিবনি। ব্রেথ কেটগোরি অসিদা ইন্দিয়াগী নিখট জারিন, পিঙ্কি রানিনা সর্জুবালাগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

স্পাইস জেট ইন্দিয়া ওপন ইন্টর্নেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসি শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর ১০০,০০০ লৈগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা লৈবাক ২৫ দগী বোক্সর কয়ানা শরুক য়াগদৌরিবনি। ন্যু দিল্লিগী থিয়াগরাজ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা অহানবা স্পাইস জেটনা স্পোন্সর তৌবা ইন্দিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা ক্যুবা, উজবেকিস্থান, কজাখষ্টান অমসুং রুশিয়াগী বোক্সরশিংসু শরুক য়ারি।

টিম ৪ থোক্না লম্না তৌনগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী চাউনা কান্নবা ফংগনি হায়না হায় পার্ফোমেন্স দিরেক্তর ওইরিবা সান্টিয়াগো নিএভানা ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী এপ্রিল ৫ দগী ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং শরুক য়াননবগীদমক অরোইবা ট্রাইয়েল সেলেক্সনগী খুদোংচাবা অমা টুর্নামেন্ট অসিনা পীরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল ফংবা খুদিংমক য়ুএস দোলর ২,৫০০ ফংগদৌরি। অদুগা সিলভর মেডল ফংবা বোক্সরশিংনা য়ুএস দোলর ১,০০০ ফংগনি। লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা বোক্সরশিংনা য়ুএস দোলর ৫০০ ফংগদৌরি।


**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Imphal West, Wangoi**

*Ref. :- Mutation Cass No. 52/SDC/IW of 2018*

Thoudam Ramgopal Singh, S/o (L) Thoudam Lukhoi Singh of Wangoi Thoudam Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

Thoudam Lukhoi Singh (Chowkidar), S/o Tona Singh of Wangoi

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Wangoi, the 27/01/2018*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরী মদুদি মৃত্যু Pattadar Shri Thoudam Lukhoi Singh গী মিংদা পানবা খুন নম্বর 87-Wangoi গী Patta No. 341 গী C.S. Dag Nos. 1386 গী এরিয়া .13 acres of Phourel লৌফম অসি Petitioner শিংনা মশাগী মিংদা নামা পানশীনবীয়ু হায়না উক্ত Court SDC Wangoi গী office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 02/02/2018 কী অয়ুক পুং 11.30 ফাউবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা court তা লাক্তুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থজগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Wangoi

SL/3897/29


## পেনাল্টি সুট আউটতা ইন্দিয়া বেলজিয়মগী মখূত্তা মায়থিখ্রে

*হেলমিন্টন, জনুৱারী ২৮ঃ*

ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেসনেল হোক্কি টুর্নামেন্টকী অনীশুবা লেগকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম বেলজিয়মগী মখূত্তা পেনাল্টি সুট আওটতা মায়থিখ্রে।

লেগ অনী থোক্না শান্নবা লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেসনেল হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি য়ুম্বু ন্যু জিলেন্দগী সিটি হেলমিন্টনদা শান্নবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং বেলজিয়মনা লম্বা তৌনবদা য়াম্না মান্নবা মওংদা অপীবা মতম লোইশিনবা ফাওবদা পাঞ্জল ৪–৪ চন্নদুনা লৈখি।

বেলজিয়মগী হোক্কি টিম অসি ৱার্ল্ড নম্বর থ্রিদা লৈরিবা টিম অমনি। ইন্দিয়ানা বেলজিয়মগা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী লেগতা মায়থিবা নংখ্রবসু ঙসিগী মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা পাঞ্জল ৪–৪ চন্নরগা লৈখিবনি।

ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোইশিং অদুদি টানগে কোসিন, সেদ্রিক চার্লিয়র, অমোরি কোষ্টর্স অমসুং ফেলিক্স দনায়রনি। অদুগা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোইশিং অদুদি মন্দিপ সিংহ, নিলকান্ত শর্ম্মা অমসুং রমনদিপ সিংহগী পাঞ্জল অনীনি।

পাঞ্জল ৪–৪ লৈনরবা মতুং ইন্দিয়া অমসুং বেলজিয়মনা লৈবাক ৪ গী ইনভাইটেসনেল টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেটচ লম্বা অদু পেনাল্টি সুট আওট য়েংনবদা বেলজিয়মনা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট টাইটল লৌবা ঙমখি।


## মনি বেগ তাহৌরে

ঙসি জনুৱারিগী তাং ২৮ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্টকী অয়াংপল্লিদগীনা–থম্বালখোঙ ফাওবগী মনুংদা ঐগী মনি বেগ তাহৌরে।

ইশাগী আধার কার্ড, এটিএম কার্ড, আইদেন্টিটি কার্ড অমদি অতোপ্পা মরুওইবা চে–চাং খরা য়াওখ্রে। কনাগুম্বনা থেংনবীরবদি মখাদা পীরিবা ঠিকানা অসিদা শিন্নবীনবা হায়জরি।

অৱামল মতিক চানা তৌজগনি।

Sd/-

পুখ্রম্বম বঙ্কিম সিংহ
ৱাঙ্খে থম্বালখোঙ
ফোন নম্বর–৭০০৫৩৫২৯২৫
৯০৮৯২৯৭৯৮৮

SL/BILL/LENIN/29



*য়াঊবীহৌ* *য়াঊবীহৌ*

**5th PHASE**
**SANGAI MARUP**
**(TENDER CUM LOTTERY)**

লাক্লিবা ২০১৮ ফেব্রুৱারগী তাং ১২, নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌজরগনি। থাগী শেনখাই লুপা লিশিং ২০০০/– ওইবা, ফাওরগা হুল্লরোইদবা মরুপনি। টেন্দর ককপদা লুপা ১,৬০,০০০/– তগী হৌগনি। অদুগা লোট্টরি ফাওবা মীনা লুপা ১০,০০,০০০/– (লাক্ষ ১০) ফংগনি। অথাপ্পা অমদি অনকপা মীওইশিংগীদমক্তা থাগী শেনখাই ঐখোয়গী ওফিস ষ্টাফশিংনা মরুপ নোংমা–নিনি ৱাংলিঙৈদা খোম্বা লাকচগনি। ফোর্ম অমদি পৈশা পীশিনবগী অরোইবা মতম ফেব্রুৱারিগী তাং ৭নি। থুনা য়াওবীহৌ, অৱাংপা মেম্বর ৪৬ খক্তগীনি।

*অকুপ্পা মরোলগীদমক*

**SANGAI BUSINESS SERVICE FOR DEVELOPMENT OF MANIPUR**
Hiyangthang Lairembi Manak
Office Mobile No. 7085647209

SL/3896/29